# ‘হন্দক্কী ক্যু অসিনা ইন্দিয়াদা মতম পুম্বগী ওইনা অতৈ ক্যু পুম্নমক লোইশিলহল্লগনি’



মুজাফ্ফরনগড়, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওংনা মীচম মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়বা খঙলে। অদুবু থৌরাং অসিনা শেঞ্জা-থুমজা, ব্লেক মণি অমসুং লায়রবগী চৈথেং য়াওনা প্রোব্লেম খুদিংমক মতম পুম্বগী ওইনা কোকহনবা ঙম্লগনি।

উত্তর প্রদেশকী মোরাদবাদতা পাঙথোকপা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী পরিবর্তন যাত্রাদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কনাগুম্বা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংনা অরানবা মওংদা তানশিনখিবা ব্লেক মণি থৈদোক্নবা হোৎনরদুনা লায়রবা মীয়ামগী জন দন একাউন্টতা শেল থমজিনগে হায়রকপদা অয়াবা পীরোইদবনি।

য়ু পিগী মীয়াম্না বি জে পিদা থাজবা থম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা য়ু পিনা বি জে পিবু য়াম্না চাউনা মায় পাকহনখি। এম পি অমা ওইনবগীদমক উত্তর প্রদেশতগী মীখলদা মীরেপ ওইখিবা নত্তে। মতম পুম্বগী ওইনা লায়রবগী চৈথেং কোকহন্নবগী পান্দমদা মীখল থেংনখিবনি।

শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, নুমিৎ ৫০ নিগী মতুংদা মীয়ামগী অৱাবা পুম্নমক কোক্লগনি। হৌজিমক্কী ওইনদি মীচম মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নখিগনি। মতম পুম্বগী ওইনা ব্লেক মণি অমসুং শেঞ্জা-থুমজা মুখৎনবগী পান্দমদা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিদা মপুং ফানা শৌগৎপীরকপগীদমক মীয়ামগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লায়রবা মীওইশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা শেল থৈদোক্নবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা ৱাফম থম্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অরানবা মওংদা শেল তানশিল্লগা শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমমম ওইরবা মীওইশিংনা লায়রবশিংগী ময়ুমদা চৎতুনা মতেং লৌনবা হোৎনরি। ইনাক খুনবা মীওইশিংনা লায়রবা মীওইশিংগী মখোঙ পায়দুনা হায়জবগী তানফম ফাওবা লাক্লে। মতৌ অসুম্না লায়রবা মীওইশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা ব্লেক মণি থৈদোক্নবা হোৎনরিবা মীওইশিং কৈশুমশঙদা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, নবেম্বর ৮ দা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখিবা মতমদা ব্লেক মণি লোৎশিন্দুদা থম্লম্বা মীওইশিং মীপাইবা পোক্লখি। অসিগুম্বা পুকচেল শেংদবা মীওইশিংনা বেঙ্কতা চৎলগা শেল থমজিনবা য়াদবনিনা লায়রবা মীওইশিংগী ময়ুমদা চত্তুনা মখোয়গী জন ধন একাউন্টতা ব্লেক মণি থমজিনবীয়ু হায়দুনা মখোঙ পায়দুনা হায়জবগী ফীভমদা লৈরি।

ৱাথোক কয়ানা থল্লবা মমাঙদা পাল্লম্বা গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মোদিনা হায়খি, মমাঙদা গভর্ণমেন্ট পায়রম্বা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মশাগী অমসুং নক্নবা মরী মতাশিংগী য়াইফনবা থৌরাংখক্তা লৌখৎপা মরম্না লায়রবা মীয়ামগী চাউখৎ-থৌরাং অমত্তা লৌখৎখিদে। মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকখিবা পোলিটিকেল পার্টিগী অশোয়বা থৌশিলনা লৈবাক অসিদা শেঞ্জা-থুমজা মরা তাহনখি। হন্দক এন দি এ গভর্ণমেন্টনা শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা থৌরাং খরা লৌখৎলকপদা কনাগুম্বা মীওই খরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপসি অঙকপা পোকই।

লৈবাক অসি চাউখৎপগী মায়কৈদা খোঙ থাংজিনবা ঙম্নবগী-দমক লায়রবগী চৈথেং কোকহনবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা লায়রবা কোকহন্নবগীদমক উত্তর প্রদেশ, বিহার, মহারাষ্ট্র অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগুম্বা অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংদা লায়রবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

# অলেপ্পো তঙ্খায় অমা সিরিয়ন ফোর্সেসকী মখুৎতা তাখ্রে



অলেপ্পো, দিসেম্বর ০৩ : সিরিয়ন ফোর্সশিংনা হান্না রেবেলশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরম্বা ইষ্ট অলেপ্পোগী তঙ্খায় অমরোম নৌনা খুদুম চনখ্রে হায়না মোনিটর অমনা হায়রি। মীশি-মীনা কয়া থোকহল্লিবা ওফেন্সিভ অদুনা নমদুনা লাঞ্জেন্নহল্লিবা অঙাংশিংবু মতেং পাংনবা অথুবা মতমদা খোঙথাং কয়া লৌখৎপা চঙলি।

মতম অমদা সিরিয়াগী কম্মর্সিয়েল পৱার হাউস ওইরম্বা অলেপ্পোগী মায়োক্তা নবেম্বর ১৫ দা ওফেন্সিভ হৌদ্রিঙৈদগী প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশশদকী ফোর্সশিনা রেবেলশিংনা খুদুম চল্লম্বা লম কয়া নৌনা হন্দোকখি। মীচম লিশিং কয়া সিটি অদুগী নোংপোক্তগী থোকখ্রে অমসুং তেংবাঙগী পোৎলমশিং য়ৌহন্নবা অমসুং ককঙাওনরবা লমদমদুগী মীওইশিংবু মফমদু থাদোকপা য়ানবা রসিয়ানা হ্যুমেনিটরিয়ন কোরিদোরশিং হাংদোক্নবা নৌনা আপিল তৌখ্রে।

রেজিমগী ফোর্সশিংনা ইরাই নুমিৎতা ইষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট অনীগী কন্ট্রোল হেন্না চেৎশিনখি অমসুং হান্নদগী পীকশিল্লক্নবা রেবেলশিংগী এনক্লেভ হেন্না চপশিন্নবা হোৎনখি হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মকোক রমি অব্দেল বহমন্না হায়খি।

‘হন্দক খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনখিবগা লোয়ননা সিটিদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা হান্নগী রেবেল টেরটরি তঙ্খায় অমা ইনুং নুংঙাইনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি’ হায়না মহাক্না ইরাই নুমিৎতা হায়খি।


ইমুং দজন কয়া ইরাই নুমিৎতা থোক্নরকখি। মখোয়শিং অদু হান্নদগী ইষ্ট অলেপ্পোদগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং নৎত্রগা লোকল কর্দিশ ওথোরিটিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা টেরটরিদা চঙশিনখিবা মীওই ৫০,০০০ গী মথক্তনি হায়না ওবর্জার্ভেটরি অদুনা হায়খি।

লাঞ্জেল্লিবশিংদুগী মনুংদা অঙাং ২০,০০০ রোম য়াওরি। মসি য়ু এন চিলদ্রেন্স এজেন্সিগী এষ্টিমেটসকী মতুং ইন্ননি।

‘হৌজিক য়াম্না মরু ওইরিবা ঐখোয়না তৌগদবা থবক্তি অঙাংশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিংদা খুদক্তা মতেং পাংবনি’ হায়না য়ুনিসেফকী স্পোক্সমেন খৃষ্টোফ বৌলিয়েরেসনা হায়খি।

কুমজা ২০১২ দগী রেবেলশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ড অমা ওইরিবা ইষ্ট অলেপ্পোবু রেজিমগী ফোর্সশিংগী মখুৎতা তাখিবা হায়বসি চহী ৫ হেনবগী মনুংদা সিরিয়াগী ওপোজিসনদা পীবা খ্বাইদগী চাউবা চৈথেংনি হায়রি।

# অমৃতসরদা *হার্ট এফ এসিয়া* কনফরেন্স হৌখ্রে




অমৃতসর, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): টেররিজম লাকশিন্নবগী পান্দমদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা অমৃতসরদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ‘হার্ট ওফ এসিয়া’ সম্মিট হৌখ্রে।

মীফম অসিদা ইন্দিয়া, চাইনা, রসিয়া, ইরান অমসুং পাকিষ্টান্নচিংবা এসিয়াগী লৈবাক ১৪ গী সিনিয়র ওফিসলশিং, লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাক ১৭ কী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা টেররিজম, রেদিকেলিজম অমসুং এক্সত্রিমিজমগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ফোরন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্কর অমসুং অফঘানিষ্টানগী দেপ্যুটি ফোরন মিনিষ্টর হিকমট খলিল করজাইনা ময়ায় তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অফঘানিষ্টানগা সাউথ অমদি সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাকশিংগা লম্বী থোং ফাওনহন্দুনা লল্লোন-ঈতিক্কী থবক থৌরমশিং ফগৎহন্নবগী মতাংদা কৃপ্না খন্নখি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মিনিষ্টিরিয়ল কনফরেন্সকী মতাংদসু ঙসিগী মীফম্না কৃপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা মীফম লোইবা নুমিৎতা লাউথোক্কদৌবা দিক্লারেসনগী মতাংদা ৱারী শানখি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মিনিষ্টিরিয়ল কনফরেন্স প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অশরফ ঘানিনা পুন্না হৌদোক্কদৌরি।

মীফম অদুদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবু লুচিংগনি। অহানবদা এক্সটর্নেল এফেয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু সুস্মা স্বরাজনা হকচাং ঙম্লক্তবদগী হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরিবা মরম্না অরুন জেটলিনা ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবু লুচিংগদবনি।

মীফম অদু ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমসুং অফঘানিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্টর সলাহুদ্দিন রব্বানিনা কো-চ্যেরমেন ওইদুনা হৌদোক্কনি।

এসিয়াগী লৈবাক ১৪ দগী লাকপা মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফকী ফোরন পোলিসী এদভাইজর সরতাজ অজিজ হয়েং অমৃতসরদা থুংলগদৌরি।

নাগ্রোতা আর্মি বেজদা টেররিষ্ট-শিংনা এটেক চথরকপদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা টেন্সন ৱাংনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা চহীগী ওইবা মীফম অসি পাঙথোকপনি।

হার্ট ওফ এসিয়া কনফরেন্সতা শরুক য়াবা নত্তনা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান্না তোখায়না উনদুনা ৱারী শানবগী থৌরাং লৌখৎলোই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মীফম হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইন্দিয়া অমসুং অফঘানিষ্টান্না হায়খিবনি মদুদি, রিজন অসিদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগীদমক পাকিষ্টান্না টেররিজম শৌগৎপা তোকপা মথৌ তাই। সিক্যুরিটি অমসুং প্রোস্পরিটিদা মরু ওইবা মীৎয়েং থম্লগা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা লৈবাক মঙানা পুল্লগা পায়খৎপা চাবহাড় রেলৱে প্রোজেক্ট য়াওনা মরু ওইবা লম্বী থোং ফাওনবগী ৱাফম কয়া খন্নগদৌরি।


কুমজা ২০১১ দা লালনা ফীভম শোকহল্লবা অফঘানিষ্টানগা য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিংগা সিক্যুরিটি, পোলি-টিকেল অমদি শেল-থুমগী ওইবা মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা হার্ট ওফ এসিয়া-ইষ্টানবুল ইনিসিয়েটিব পায়খৎপা হৌখিবনি।

ফীভম শোক্লবা অফঘানিষ্টান শেমগৎলবা মতমদা রিজন অসিগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়বা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি। তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৩০ রোম্না থৌরাং অসিদা মপুং ফানা শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

অফঘানিষ্টান্দা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিনহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা থৌরাং অসিদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংদি ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, অফঘানিষ্টান, অজরবেজান, চাইনা, ইরান, কজখষ্টান, কিরগিজষ্টান, রসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, টাজিকিষ্টান, টর্কি, টর্কমেনিষ্টান অমসুং য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনি।

থৌরাং অসিদা ওষ্ট্রেলিয়া, কেনাডা, দেনমার্ক, ইজিপ্ট, ফ্রান্স, ফিনলেন্দ, জর্মনি, ইরাক, ইটালি, জপান, নোর্ৱে, পোলেন্দ, স্পেন, স্বিদেন, বৃটেন অমসুং য়ু এসনা মপুং ফানা শৌগৎখি।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর, টাইৱানগী প্রসিদেন্টতা ফোন তৌবনা দিপ্লোমেসিদা অকায়বা পীরে



ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ০৩ : য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পনা টাইৱানগী প্রসিদেন্টগা ৱারী শানদুনা চহী দিকেদ কয়া চৎনরক্লবা ফোরন পোলিসীগী চৎন-পথাপ থুগায়খ্রে। বৈজিংগী মায়কৈদগী ৱারী শানবদু স্পাইগী মরৌ লৈবা থৌদাংনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মদুনা য়ু এস চাইনাগী মরীদা শোকহল্লোইসু হায়খ্রে।

ত্রম্পনা প্রসিদেন্ট সাই ইংৱেনগা টেলিফোন্দা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা ৱাশিংটন্না অতম্না ওফিসল ‘ৱান চাইনা’ পোলিসীদগী নাথৈনবা হোৎনরিবরা হায়বদু খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে। তৌইগুম্বসুং ইন্টরনেসনেল এফেয়র্সকী মতাংদা মশানা হান্না শেম-শাবা তৌদনা প্রেক্টিস তৌরিবরা হায়বগী অকিবা পোকহল্লি হায়রি।

অসুম্না ফোন তৌরুবা অসিনা মরম ওইদুনা ত্রম্প অসি য়ামদ্রবদা কুমজা ১৯৭৯ দগী হৌজিক ফাওবদা টাইৱানগী লিদর অমগা ৱারী শাননবা য়ু এসকী অহানবা প্রসিদেন্ট নৎত্রগা প্রসিদেন্ট খল্লবা মীশক ওইরে। চাইনাবু রিকগনাইজ তৌবগী শরুক অমা ওইনা ৱাশিংটন্না কুমজা ১৯৭৯ দা টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনখিবনি।

হৌখিবা নবেম্বর ৩০ দা ত্রম্পনা পাকিষ্টানি প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফতা ফোন তৌদুনা মফম কয়াদা মরু ওইনা ইন্দিয়ারোমদা চঙ্ক্নবা পোকহনখি। ন্যু য়োর্ক টাইমসকী মতুং ইন্না, য়ু এসকী প্রসিদেন্ট-ইলেক্টনা অদুম্না কোল তৌদুনা ইন্দিয়া-পাকিষ্টান মরীগী বেলেন্সতা অকায়বা পীবা য়াই। ‘প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড জে ত্রম্পনা করি থোক্লকপা য়াই হায়বগী ৱাখল তৌদবীদা ফোরন লিদরশিংদা টেলিফোন কোল কয়া তৌদুনা চহী দিকেদ কয়া চৎনদুনা লাক্নবা দিপ্লোমেটিক থুগাইরে’ হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা হায়খি। য়ু এসকী মথংগী প্রসিদেন্টনা ৱর্ল্ড লিদরশিংগা ৱারী শানদুনা চৎনবী থুগাইখিবগা লোয়ননা মরী লৈননা ন্যু য়োর্ক টাইমসনা কম্মেন্ট অসি ফোঙদোক্লিবনি।

কোল অদুগা মরী লৈননা পাকিষ্টানি গভর্ণমেন্টকী রিদ আউটকী মতুং ইন্না, ত্রম্পনা পাকিষ্টানবু প্রসিদেন্ট ওইনা ভিজিট তৌবা পাম্বা ‘অঙকপা’ মীশিংদনা থল্লবা ‘অঙকপা’ লৈবাক অমনি হায়খি। মহাক্না সেরিফপু য়াম্না ফবা মতীক ময়াই চেনবা মীশক্নি হায়না শিংথাখি অমসুং পাকিষ্টানিশিংদুদা খ্বাইদগী শিংবা মীওই কাঙলুপ অমনি হায়খি। ত্রম্পনা লৈখায় তাদ্রিবা প্রোব্লেমশিংগী সোল্যুসন পুথোক্নবা তৌবদা মহাক্না তঙাইফদনা লৌফম থোকপা রোল খুদিংমক লৌননবা শেম শারে হায়নসু ফোঙদোকখি হায়না পাকিষ্টানি রিদ আউট অদুনা মখা তারি।

ত্রম্পনা ফোনদা ঙাঙখিবদুগা চাননা চৎলকপা তারবদি পাকিষ্টানবু অচৌবা য়েক্নবা ওইনা উরিবা ইন্দিয়াবু নিংবা কায়হনগনি অমসুং করিগুম্বা মহাক্না হায়খিবা ৱাফম ঙাক্তবা তারগনা অমেরিকানশিংগী ৱাখল হোংখিদরা হায়না ৱাজবা পাকিষ্টানি লিদরশিংবু নিংবা কায়হনগনি। অনীগী মরক্তগী অমা চৎলকপা মতমদা ইন্দিয়া-পাকিষ্টান মরীগী বেলেন্সতা অকায়বা পীগনি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা হায়খি।

## রাজেন্দ্র প্রসাদকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইখিবা রাজেন্দ্র প্রসাদকী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ডা, রাজেন্দ্র প্রসাদকী মপোক কুমওননা লাকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা কোক নোন্না ঈকায় খুম্নবা উৎলি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না শিংবা ঙম্লরোইদবা লম্মন তোনশিল্লবনি।

# ইন্দিয়া, কটারনা ভিজা, সাইবর স্পেসকী মতাংদা য়ান-চে সাইন তৌনখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৩ : ইন্দিয়া অমদি কটারনা ভিজা, সাইবর স্পেস অমসুং ইনভেষ্টমেন্টকী মতাংদা য়ান-চে সাইন তৌনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) সাইন তৌনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কটারগী মহাক্না ফম মান্নবা শৈইখ অব্দুলা বিন নাসির বিন খালিফা অল-থানিগা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ান-চে অমসুং এম ও য়ু সাইন তৌনখিবনি।

নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা কটারগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াদা থুংলখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি মদুদি, কটারগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াদা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা থুংলখিবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা থম্নবা মরী চেৎশিল্লক্লে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি।

এক্সটর্নেল এফেয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন বিকাস স্বরুপনা হায়খি, দিপ্লোমেটিক, স্পেসল অমসুং ওফিসল পাসপোর্ট পায়বা মীওইশিংনা ভিজা লৌবগী মথৌ তারোইদবা থৌশিল অমা শেম্নবা লৈবাক অনীনা য়ান-চে সাইন তৌনখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হোম এফেয়ার্স রাজনাঠ সিংহ অমসুং কটারগী মিনিষ্টর ওফ ম্যুনিসিপালিটি এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মহম্মদ বিন অব্দুলা অল রুমাহিনা য়ান-চে অদু সাইন তৌনখিবনি।

য়ান-চে অদুগী মতুং ইন্না দিপ্লোমেটিক স্পেসল অমসুং ওফিসল পাসপোর্ট পায়বা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা চথোক-চৎশিন তৌবদা ভিজা লৌবগী মথৌ তাররোই।

সাইবর স্পেসকী মতাংদা অমনা অমগী মতেং পাংনবগা লোয়ননা সাইবর ক্রাইম পুন্না মায়োক্নমিন্নবগী মতাংদা য়ান-চে অমা হোম মিনিষ্টর রাজনাঠ সিংহ অমসুং কটারগী মিনিষ্টর ওফ ট্রান্সপোর্ট এন্দ কম্যুনিকেসন জসেম বিন শাইফ অল-সুলাইটিনা সাইন তৌনখি।

লৈবাক অনীগী বিজনেসমেন অমসুং টুরিষ্টশিংদা ঈ-ভিজা পীনবগী মতাংদা লেট্টর ওফ ইন্টেন্ট অমা সাইন তৌনখি। কটারগী সুপ্রিম কম্মিটি ফোর দেলিবরি এন্দ লিগেসীনা কনফিদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ইন্দষ্ট্রিগা এম ও য়ু অমসু সাইন তৌনখি। কটারদা লৈরিবা ইন্দিয়ন কম্পেনিশিংগী প্রোজেক্ট এক্সপার্টশিংদা ফ্রেমৱার্ক অমা ফংহন্নবগীদমক এম ও য়ু অদু সাইন তৌনখিবনি।

কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকা মরী লৈননা কটারদা পায়খৎকদৌরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংদা ইন্দিয়ন কম্পেনিশিং শরুক য়াবা ফংলগনি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা বিকাস স্বরুপনা হায়খি, নেসনল স্পোর্টর্স মেনেজমেন্টতা লৈবাক অনীনা মতেং পাংনবগী ৱাফম য়াওবা এম ও য়ু অমসু সাইন তৌনখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF CONSUMER AFFAIRS, FOOD & PUBLIC DISTRIBUTION DEPARTMENT

**NOTIFICATION**
Sangaiprou, the 3rd December, 2016

No. 1/910/2015-DCAF&PD: It is hereby notified that those candidates bearing the following Roll Numbers have been declared to have passed the written examination held on 20.11.2016 and are qualified to appear in the interview for the following posts:-

| Sl. No. | Name of posts (Gr-III) | Roll No. (not in order of merit) |
|---|---|---|
| 1. | Civil Supply Inspector | 19, 30, 48, 49, 52, 74, 75, 96, 107, 115, 116, 166, 175, 176, 187, 208, 224, 240, 244, 261, 274, 284, 285, 304, 400, 437, 487, 488, 489, 490, 496, 501, 516, 519, 527, 531, 532, 534, 639, 559, 561, 562, 563, 574, 601, 618, 634, 641, 649, 657, 665, 750, 755, 790, 791, 792, 829, 830, 857, 858, 872, 917, 922, 925, 928, 993, 973, 1033, 1038 and 1074 |

Interview will hold at Directorate of CAF&PD, Sangaiprou at 9 a.m. till 4 p.m. on 7th December, 2016.

INSTRUCTIONS: All candidates shall bring the required original educational certificates with them and produce before the Interview Board.

(M. Yaiskul Meitei)
Director (CAF&PD), Manipur.

Note:- Candidates who fail to appear before the Board on the specified date shall not be given any further opportunity for so doing.

HL-P/10773/04

TODAY TODAY
BUMBER HOUSIE
Time:4 :00 p.m Date:4-12-16 Orgd. By:- Vetarian Sport
Tickect Rate Rs.1300/-
All Lines, Q-5 & Star are Rs.4000/- each
Mini Bumper Ticket Rate Rs.300/-
House full 1,2 DIO
House full:
TIAGO
Mini Bumper Ticket Rate Rs.200/-
House full Flate TV
Venue: Sankar Talkies, Lamphel
HL-P/10771/04
PEISA ARIBA LOUJAGANI, NGANNA SHANAJAGANI



ঌৈংগথোং/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্নো চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3513/03/12-02/01